মালেমগী অঙকপশিং

# গ্রেট স্মোকি নেসনেল পার্ক

গ্রেট স্মোকি মাউন্টেন্স নেসনল পার্ক অসি য়ুনেস্কোনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনল পার্ক অমনি। মসি অপ্লাচিয়ান মাউন্টেন চেইনদা য়াওবা ব্লু ৱিদজ মাউন্টেন্সকী শরুক ওইনা গ্রেট স্মোকি নাপোমশিংদা শন্নগা লৈ। টেন্নেসী অমসুং নোর্থ কেরোলিনাগী বোর্দরদা লৈবা পার্ক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মীশিংনা খ্বাইদগী য়েংবা অমদি কোইবা চৎনবা পার্কনি। পার্ক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস কোংগ্রেসনা কুমজা ১৯৩৪দা য়াখি অমসুং কুমজা ১৯৪০দা প্রসিদেন্ট ফ্রেঙ্কলিন দেলানো রুজবেল্টতা দেদিকেট তৌখি। পার্ক অসিগী পাক চাউবা স্কৱার কিলোমিটর ২,১১৪ ওইদুনা মসি ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ঙাক শেন্দুনা খ্বাইদগী পাক চাউবা এরিয়াশিংগী মনুংদা অমনি।

পার্ক অসিগী মরু ওইবা চঙফমশিং অদু য়ু এসকী হায়ৱে ৪৪১ (নিউফাউন্দ গেপ রোদ) পরিংদা টেন্নেসীগী গাটলিনবর্গ টাউন অমসুং নোর্থ কেরোলিনাগী চেরোকী টাউনদা লৈ। মসি লমগী অমদি অতৈ অচঙমলশিং ফেদরেল ফন্দদগী শীজিন্নখিবা অহানবা য়ু এসকী নেসনল পার্কনি। মমাঙগী পার্কশিংদি ষ্টেটকী ফন্দশিং নৎত্রগা লন্নাই ফন্দশিংদগী ফন্দিং তৌখিবা ঙাক্তনি।

য়ুরোপিয়ন সেট্টলরশিং লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা পার্ককী লমদম অদু চিরোকীশিংগী হোমলেন্দগী শরুক চঙশিন্দুনা তাশিনখি। কুমজা ১৯৩০দা প্রসিদেন্ট এন্দ্রিয়ু জেক্সেননা ইন্দিয়ান রিমুভেল এক্ট সাইন তৌখি অমসুং মিসিসিপি তুরেলগী নোংপোক থংবদা তারিবা ত্রাইব খূদিংমক নমদুনা লৌথোক্লবগী প্রোসেস হৌখি। চেরোকী কয়া মফমদু থাদোকখি তৌইগুম্বসুং অনম কল্লবা কন থৌরবা লান্মী সালিনা লূচিংবা চেরোকী কাঙবু অমদি হৌজিক গ্রেট স্মোকি মাউনটেন্স নেসনল পার্ক হায়না খঙনরিবা লমদম অসিদা লোত্তুনা লৈহৌখি। মখোয়গী চাদা নাওদা খরদি পার্ককী মখা থংবদা কুৱালদা বাউন্দরিদা লৈ।

লমদম অদুদা য়ুরোপিয়নশিং থুংলবগা লোয়ননা চীংগী লমদম অদুদা উজাও কয়া য়ান্দুনা চীংথোকপা অসি মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরকখি। লমদম অদুগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা এরিয়াশিংদগী



অয়ানবা উশিং চীংথোক্লবা লিট্টল রিভর রেলরোদ শাখি। মহৌশাগী ফজবশিং মাঙলকখি। মরম অদুনা ভিজিটরশিং অমসুং লোকলশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা লম ঙাক শেন্নবগী ফন্দ শেমগৎখি।

য়ু এস নেসনল পার্ক সার্বিসনা ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পার্ক অমা থম্বা পামখি। তৌইগুম্বসুং পার্ক অমা শেমগৎনবগী ফন্দদি মতিক চানা লৈখিদে। কোংগ্রেসনা পার্ক অদু ওথোরাইজ তৌরবসু পার্ক শেমগৎনবগী ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী লম লৈখিদে।

জোন দি রোক ফেলর জুনিয়রনা দোল্লর মিলিয়ন ৫ কনত্রিব্যুট তৌখি। য়ু এস গভর্ণমেন্টনা অমসুং সিটিজনশিংনসু মতেং পাংদুনা পার্ক অদুগী লম শেমগৎখি। মমৈথংদা চীংদা তাশিনবশিং, মাইনরশিং অমসুং উ য়ানবশিং লমদম অদুদগী তকথোকখি। পার্ককী এরিয়াশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক্তা উ য়ানবা অমসুং ফার্মগী থবকশিং থিংজিনখি। হান্নগী টেন্নেসীগী গভর্নর বেন দল্লিয়ু হুপরনা পার্ক অদুগী লম লৈবগী মরু ওইবা এজেন্ট ওইখি। পার্ক অসি কুমজা ১৯৭৬তা ইন্টরনেসল বাইওসফিয়র রিজার্ভ ওইহনখি অমসুং কুমজা ১৯৮৩দা য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট অমা ওইনা সার্টিফাইদ তৌখি।

গ্রেট স্মোকি মাউন্টেন্স নেসনল পার্ক অসি লমদম অদুগী মরু ওইবা টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মফম অমনি। কুমজা ২০১০দা টুরিষ্ট মিলিয়ন মাপন অমসুং নন-রিক্রেস্নেল ভিজিটর ১১না পার্ক অদুদা চৎখি। মীনা খ্বাইদগী ভিজিট তৌবা অনীশুবা পার্ক গ্রান্দ কেনয়নদগী ভিজিটর মশীং শরুক অনী হেনখি। পার্ককী অকোইবদা লৈবা টাউনশিং মরুওইনা গাটলিনবগ, পিজন ফোর্জ, সেভিয়নভিল অমসুং টাউনমেন্দ (টান্নেসীগী) অমসুং নোর্থ কেরোলিনাগী চেরোকী, সিলভা, মেগি ভেলি অমসুং ব্রিসন সিটি পার্ক অসিগা মরী লৈনবা টুরিজমদগী শেল তাল্লি। য়ু এসকী হায়ৱে ৪৪১না পার্ক অসিবু ময়াইদা ফাওদুনা চৎলি অমসুং পার্কতা হায়ৱে অসিবু নিউফাউন্দ গেপ রোদ হায়না খঙনৈ। পার্ক অসিদা পুৱারীগা শাগোন্নবা এপ্রেক্সন কয়ামুক লৈ।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - পি সী মুস্তাফা -



কেরলাগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা ৱায়ানাদ খুঙ্গংগী চহী ৪২ গী নুপা অমগী ৱারীনি। মহাক্কী মপাদু কুলি অমা ওইখি অদুগা মহাক নোংমতা স্কুল তম্বা ফংখদে। অমুকসু, মসি তরুকশুবা ক্লাসতা ফেল ওইখিবা অদুগা তুংদা কলিকট্টা লৈবা রিজনেল ইঞ্জিনিয়ারিং ইন্সটিট্যুট অমসুং বেঙ্গলোরগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টতা তমখবা মীওই অমগী ৱারীনি। মসি শেলদি পায়দনা ওন্ট্রপ্রে-ন্যুঅর অমা ওইরগা ইন্দিয়াগী খুঙ্গংগী মীশিংবু থবক পীগনি হায়না অচেৎপা ফীরেপ অমা লৌখ্রবা মীওইগী ৱারীনি।

ঙসিদি পি সী মুস্তাফাগী কম্পেনি আইদি ফ্লেমনা শাবা ফোঙ-ফোঙ শাবা ইদলি অমসুং দোশাশিং বেঙ্গলারু, চেন্নাই, পুনে, মুম্বাই, দিল্লি, হায়দ্রবাদ য়ুমশিং অমসুং তঙাই ফদ্রবদি দুবাইদা লৈবা য়ুমথোংশিং ফাওবা য়ৌদুনা হাওনা চানরি। হৌজিক কম্পেনি অসিগী মপু পি সী মুস্তাফা করম্না হৌরকখিবগে হায়বদু য়েংমিন্নসি। মুস্তাফা ৱায়ানদকী চেন্নালোদ কৌবা অপীকপা খুঙ্গং অমদা পোকখি।

খুঙ্গংদুদা লম্বী লৈতে, মৈ ফংদে, প্রাইমারি স্কুল অমখক লৈরম্মী। মহাক্কী মপা অহম্মদ মরিশুবা ক্লাস তম্লম্লগা তোকখি, মমা ফাতিমা লাইরিক তম্বা ফংলকখিদে। ফত্তবা লম্বীদা কিলোমিটর ৪/৫ খোঙনা চৎলগা হায় স্কুল তম্নরম্বনা অয়াম্বনা মহাক্কী খুঙ্গংগী অঙাংশিং মহৈ-মশিন তম্বা ঙন্না ঙন্না তোক্লরম্মী। লাইরিক তম্বা তোক্লগা মহাক্কী মপাসু কোফি প্লান্টেসনদা কুলি ওইরম্মী। মুস্তাফাসু অদুমঙাই লৈরিবা ফীভমশিং অদুদা মহৈ-মশিন তম্বা থৱায় য়াওরমদে। নুমীৎ খুদিংগী স্কুল তম্বা লোইরগা অমসুং ছুটি নুমীৎশিংদা হোম ৱার্ক তৌবা অমসুং লাইরিক পাবগী মহুত্তা মহাক্লা মপাগী থবক্তা ওইনা মতেং পাংলম্মী। অহিংদা লাইরিক ফাক্তুনা পাবগী ৱাফম লৈখিদে, মরমদি মৈ লৈতে।


সবজেক্ট খুদিংমক মহাক শোল্লম্মী অদুবু অঙ্কদি খরা ফরম্মী। মপানা মঙোন্দা লাইরিক তম্বা তোক্লগা মহাক্কী মতুং ইন্দুনা নোংমগী খুৎশুমল তান্নবা হায়রকখি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা স্কুলগী ওঝা অমনা মহাকপু কনবীবা থোক্লকখি। ওঝা অসিনা কন্না হায়বদগী মহাক লাইরিক কন্না হোৎনবদগী ক্লাস সেভেন্দা মহাক্লা ফাষ্ট তাখি। মদুদা ময়াম পুম্বা পুংঙক ঙক্লখি।

ক্লাস টেনদসু মহাক্লা স্কুলগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক তাখি। য়াম্না ৱানা কোলেজ লোইরবা মতুংদা মহাক্লা ইঞ্জিনিয়ারিং এন্ট্রান্সতা য়াওদুনা মায় পাকখি অমসুং রিজনেল ইঞ্জিনিয়ারীং কোলেজদা মিং চনবা ফংখি। মফমদুদা মহাক্লা খ্বাইদগী পামজবা কম্প্যুটর সাইন্স তম্বা ফংখি।

অহানবদা মহাক ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমা ওইগে খনখিদে, ইঞ্জিনিয়ার মমিং চৎপা অমা ওইগেদি খনখি। কম্প্যুটর ইঞ্জিনিয়ারিং লোইরবা মতুংদদি মুস্তাফাদা কম্পেনি কয়াদগী থবক্কী ওফর কয়ামরুম লাকখি। ইন্দিয়াগী সীটি কয়াদা তলব চাউনা থবক তৌবদা নত্তনা মপান্দগীসু ওফর লাক্তুনসু মীরৈবাক্কী অচৌবা কম্পেনিশিংদসু থবক তৌখি। মুস্তাফানা শেল মরাং কায়না তানখি। অদুবু মহাক্লা মহাক্কী হৌখিবা খুঙ্গংগী পুন্সি নীংশিংলুরগা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী মীওই খুদিংমক থবক পীনবা কম্পেনি অমা লিংখৎলগে হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লকখবগা লোয়ননা মহাক্কী ইঞ্জিনিয়ারিংগী থবক তোকথোকখি।

হকশেল কাঙলোন : থাইরোইদকী অনাবা

# হকচাংগী মথৌ কয়াদা অকায়বা পীরিবা লায়না




থাইরোইদ হায়বসি খৌরিদা, কোলর বোনগীনা হেক মথক্তা লৈবা কুরাক মওং মানবা গ্লান্দ অমনি। মফমসিদা হোর্মোনশিং শুংই। হায়রিবা হোর্মোনশিং অসিনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মথৌশিং কন্ট্রোল তৌই। খুদম ওইনা হায়রবদা কেলোরি কয়া য়াম্না বর্ন তৌবগে অমসুং হার্টনা কয়া য়াম্না থুনা মথৌ তৌবগে হায়বনচিংবা হকচাংগী মেটাবোলিজম পুন্নমক থাইরোদকী হোর্মোনশিংনা কন্ট্রোল তৌই।

মরু ওইবা থাইরোইদকী অনাবশিংদি হাইপোথাইরোইদিজম, হাইপরথাইরোইদিজম, গোইটর, থাইরোইদ নোদ্যুল্স অমসুং থাইরোইদ কেন্সরনি।

হকচাংনা মথৌ তাবা চাং য়ৌনা থাইরোইদ হোর্মোন পুথোরক্তবগী থৌওংবু হাইপোথাইরোইদিজম কৌই। থাইরোইদ গ্লান্দ, পিটুইটরি গ্লান্দ নৎত্রগনা হাইপোথেলামসতা অশোয়বা লৈবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইরকপনি। হাইপোথাইরোইদিজমগী লাইওংশিংদি হকচাং চোকথবা; ৱাখল খনবা ঙম্লক্তবা; উনশা ইকং-কংশিল্লকপা; খোঙ হাম্বা য়াদবা; হকচাং ঈংবা; মশল অমদি তাং-তাং চীকপা; ৱাখল নুংঙাইতবা অমসুং নুপীদা চাং য়াম্না অমদি মতম শাংথনা থাগী খোঙকাপ লাকপা অসিনচিংবনি।

থোইদোকপা মরমগী ৱা ঙাক নত্তনা থাইরোইদ গ্লান্দ চাউথোকপগী থৌওংবু গোইটর কৌই। করিগুম্বা কান্দা গোইটর অসি হাইপোথাইরোইদিজম, হাইপরথাইরোইদিজম নৎত্রগা নোর্মেল থাইরোইদ ফঙ্কশনগা লোয়ননা নারকপা য়াওই।

থাইরোইদ মনুংদা অপোম্বগী মতৌগুম মতুম-মতুম লৈরকপবু থাইরোইদ নোদ্যুলস কৌই। বিনাইন সিষ্ট, বিনাইন ট্যুমর নৎত্রগা থাইরোইদ কেন্সরনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। হায়রিবা মতুম অসিগী অচৌ-পীশক অমদি মশীংদা খেন্নবা কয়া লৈবা য়াই। মতুম অসিনা কা হেন্না চাওবা তারবদি মনাক নকপা কয়াৎশিংদা অকায়বা পীরকপা য়াওই।

থাইরোইদ কেন্সর হায়বসি নুপীনা নুপাদগী হেন্না মায়োক্লবা লায়না মখল অমনি। মতম চানা খঙহৌরবদি লায়না অসি লায়েংবা ঙম্মী। অনাবা অসি হীদাক-লাংথক চারগা নৎত্রগা ওপরেশন তৌরগা লায়েংই। অনাবা মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়েংবগী মওংসু খেন্নে।

কনাগুম্বা মীওই অমা হকচাংগী অরূম্বা হস্তরকপা নৎত্রগা হেনগৎলকপা; খৌরিদা পোমখৎলকপা; থম্মোয়গী মিহুল তপথরকপা নৎত্রগনা থুজিল্লকপা; হকচাং ইচোক চোকথবা; ৱাখল লৈতাদবা; শম য়াম্না কেনবা; কা হেন্না হকচাং শাগৎপা নৎত্রগা ঈংবা; খোঙ হাম্বা য়াদবা; থাগী খোঙকাপ শোয়বা; উনশা ইকং-কংবা; খূৎ অমদি খূৎশাদা জিং-জিং লাউবা; খূৎ-শা নীকপা অমসুং মশল শোন্থরকপা তারবদি থাইরোইদকী অশোয়বা লৈবরা হায়না চেক তৌথোকপা মথৌ তারে। অদুম ওইনমক হীদাক লাংথক চারগা নৎত্রগা ওপরেশন তৌরগা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা মরম্না পুন্সি মাঙনিংঙাইদি ওইদে।

## প্রোন মসালা করম্না থোংগদগে

চঙগদবা পোৎচঙ ঃ

- খজিং অচৌবা গ্রাম ৫০০

মেরিনেদ তৌনবগীদমক :

- চনম অশুবা চামচ অমা
- ফদিগোম মনা অশোইবা কপ তংখায় অমা
- মোরোক অতেকপা অনী
- চমপ্রা মহী চামচ অমা
- অচাথাউ চামচ অমা

গ্রেভি শেম্নবগীদমক :


- অচাথাউ চামচ মরি
- তিলহৌ অচৌবা অনী (পানা শোইরবা)
- চনম অশুবা চামচ অনী
- শিং অশুবা চামচ অমা
- খামেন অশিনবা মকক অনী
- ফদিগোম মরু চামচ অনী
- জীরা মকুপ চামচ অমা
- য়াইঙং মকুপ চামচ তংখায় অমা
- মোরোক অকংবা মকুপ চামচ তংখায় অমা
- গরম মসালা চামচ অনী
- থুম খরা


থোং থাকপগী মওং:

মেরিনেদ তৌনবা মচলশিং অদু গ্রাইন্দর অমদা পূন্না তকখায়রগা পাত্র অমদা হৈদোক্লো। মদুদা খজিং হাপচিন্দুনা তোৎশিন্নরবা মতুংদা রেফ্রিজরেটরদা থমখ্রো।


গ্রেভি শেম্নবগীদমক অথাবা উয়ান অমা মৈথক্তা থাংগৎলগা অচাথাউ হৈরো। তিলহৌ হান্না ঙৌরবা মতুংদা শিং অমদি চনম অশুবা হাপচিল্লো। মথংদা খামেন অশিনবা অমদি অতৈ মরু-মরাং, থুম্নচিংবা লোইনা হাপচিনবা য়ারে। মিনিট ১০ রোম লৈরগা মৈ মুথৎলগা থাংথরো অমসুং গ্রাইন্দর অমদা তকখায়রো। মৈথক্তা খাং থাংগৎলগা মরু মরাং পুন্নমক ঙৌরো। মদুদা খজিং অমদি মেরিনেদ তৌখ্রবা পোৎলমশিং হাপচিল্লগা মখা তানা ঙৌরো। মাঙজৌননা শেম শাখ্রবা মসালা অমদি ঈশিং অশাবা কপ তংখায় অমা হাপচিল্লগা ওৎলো। মিনিট ১-২ গী মতুংদা থাংথরগা ফদিগোম মনা চাইশিল্লো অমসুং ফোঙ-ফোঙ শানা চাবা য়ারে।








Title: Palace
By: Sweety Thiyam
Class: III Sec: B Roll No. 89
School: Regular English High School



Title: House
By: Katy Thoudam
Class: K.G. Sec: A Roll No. 18
School: Regular English High School



Title: Rangoli
By: Kh. Leishembi
Class: III Sec: B Roll No. 82
School: Regular English High School



Title: House
By: Thoudam Nganba
Class: Nursery Sec: Roll No. 11
School: St. Peter's High School



Title: Kite
By: Tomthilnganbi Laishram
Class: EW Sec: Roll No. 37
School: Little Millennium



Title: House
By: Nganthoi Thoudam
Class: IV Sec: Roll No. 11
School: St. Peter's High School



Title: Flag of India
By: S. Lamjingba
Class: K.G Sec. White Roll No. 14
School: Lee Faith School



Title: Flower
By: Robinson Waikhom
Class: II Sec: A Roll No. 10
School: S.R.H.S.S. Scholl